# ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ থাখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৫(এস এন এস)ঃ

ইয়ার পোল্লুসন হায়বা থিম অসিদা ঙসি মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লবগুম ঙসি ষ্টেট অসিদসু লৈঙাক অসিগী এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিগী তোঙান–তোঙানবা স্কুল,কোলেজ ১০০০ হেনবদা থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা উ চার কয়া থাখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাঙ্খৈ কৈথেল অহনবীদা লৈবা ৱাঙ্খৈ হায়স্কুলদসু ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম পাঙথোক্তুনা স্কুল অসিগী কেম্পসকী অকোয়বদা উ চারশিং থাখি।

ৱাঙ্খৈ হায় স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি রেঞ্জর,ব্লোক ওফিসার ঙারিয়ান এ রনবীরনা চীফ গেষ্ট, স্কুল অসিগী এসিষ্টেন্ট হেদ মিষ্ট্রেস এ কে সুলোচানানা প্রসিদেন্ট অমসুং জেদ ই ও জোন–টু এম প্রেমচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এ রনবীরনা ফোঙদোকখবদা,ঙসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে নুমিৎ অসিদা মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবদা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা এডুকেসন দিপার্টমেন্টকী খূৎখাংদা ষ্টেট অসিগী স্কুল ১১০০ হেনবদা উ চার ৬৫,০০০ থাবগী থবক পায়খৎপসি অফবা খোঙথাং অমনি। গ্রাস রূট লেভেলদগী মহৈরোইশিং অমসুং নহাশিংদা অকোয়বগী ফিভম কায়থরকপনা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা অসি মখোয়দা খঙহন্দুনা উ চার থাবগী খোঙথাং পায়খলিবা অসিনা চাউনা মতেং পাঙগনি।

মমাঙগী চহীশিংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট খক্তনা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগা খূৎশন্নদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লম্মনি। অদুবু চহী অসিদদি ইনভাইরোনমেন্ট কনবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং নি হায়বসি এডুকেসন দিপার্টমেন্টকা খূৎশন্নরগা মহৈরোইশিংদা খঙহনবা অসি অফবা ৱাখল্লোন অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লবগুম নিঙোল ক্লব হৈরোক অমদি নেহরু য়ুভ কেন্দ্র, থৌবালগা পূন্না খূৎশম্নদুনা অরি পোল্লুসন হায়বা থিম অসিদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম হৈরোক পার্ট–৩ লিতানদা লৈবা চিংদোংপোক হায়স্কুলদসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চিংদোংপোক হায়স্কুলগী হেদ মষ্টর লাইশ্রম বিনোদ কুমারনা চীফ গেষ্ট, নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী জেনরেল খুদোংবম সোফিয়ানা প্রসিদেন্ট অমদি সাইখোম চনচন লাইফ সাইন্স এম. সাইন্সনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লাইশ্রম বিনোদকুমারনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ইনভাইরোনমেন্টদা তোঙানবা হীরম কয়ানা ইকায়বা পীরি। লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি মহিংদা অমদি মহৌশাগী ফীভমদা মীওইবগী পুন্সি মহিংদা অমদি মহৌশাগী ফীভমদা ইকায়বা কয়া পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ইনভাইরোনমেন্ট কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা মথৌ তাই।

লোয়ননা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবী নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী জেনরেল খুদোংবম সোফিয়ানা হায়খিবদা, ঙসিগী নুমিৎ অসি উ পাম্বী কয়াগী পুন্সি লোইবা নুমিৎ অমা ওইহনগুমসি। ফোটোদা মেডিয়াদা য়াওরক্লবা খক্কী উ থাবগী মহুত্তা মীপূম খুদিংমকনা উ পাম্বীশিং হিংনবা থাবীয়ু। মরু ওইনা মণিপুরগী মরু কোক্লবা চীংমায়শিংদসু পাক–শন্না উ থাবগী থবক য়াম্না থুনা পায়খৎনীংই। লোয়ননা চহী অসিদগী দিপার্টমেন্টনা উ থাখিবশিংদা খ্বাইদগী য়াম্না হিংহনবা ঙম্বা এন জি ও, সি এস ও অমদি লন্নাই মীওইশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পূক্নীং থৌগৎপীবা ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎপীবগা লোয়ননা অখন্নবা মনা পীবিনবা থৌরাঙ পায়খৎহন্নীংই হায়নসু মখা তাখি।

# মীৎয়েং অনীদা কাৱ্রংচাক পাম্বীশিং থাবগী থবক পায়খৎখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৫(এস এন এস)ঃ

ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম অসিনা নুমিৎ লৌরগা পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী সেরিকলচর দিপার্টমেন্টনা সেরিকলচরগী সিল্কৱার্ম ফুন্দ প্লান্টশিং পাক শন্না থাবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। চাউরাক্না পাম্বী লিশিং ৮ রোম থাবগী থবক পায়খৎকনি হায়না দাইরেক্টর সেরিকলচর এস কুঞ্জকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দেগী পালন থৌরম অসিগা ইরোইননা সেরিকলচর প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কমপ্লেক্স সঙ্গাইপাত্তা পাঙথোকপা কাৱ্রংচাক য়াওনা সেরিকলচরগী সিল্কৱার্ম ফুন্দ প্লান্টশিং থাবগী থৌরম হৌদোক্লদুনা হায়, ঙসিগী ৱার্ল্ড এনভাইরমেন্ট দেগী নুমিৎ অসি লৌরগা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিসারশিংগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনা পালন থৌরম অসিদা শরুক য়াবা অসি মীৎয়েং অনীগী মখাদনি। অহানবা মীৎয়েংদা, মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসিদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী অকোয়বগী খল কায়থরকপা অসিদগী কন্দুনা হেন্না ফবা এনভাইরনমেন্ট অমা শাগৎপদা মতেং পাঙনবা লোয়ননা সিল্কৱার্ম ফুন্দ প্লান্টশিং অসি থাদুনা মসিগী মনাশিং অসিনা তিলশিং য়োক্তুনা তিল মহুম হেন্না পুথোক্লবা পান্দমদা চংশিনবনি।

দাইরেক্টোরেটকী কমপ্লেক্স অসিদা কাৱ্রংচাক পাম্বী লিশিং ৪ রোম থানবা পান্দম থল্লিবনি। ঙসিদগী হৌরগা কাৱ্রংচাক পাম্বীশিং অসি লেপ্তুনা থাবগী থবক চত্থগদৌরিবনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাক শন্না দি এস ওশিংগী খুখাংদা পাম্বী লিশিং অমমমগী চাংদা থাগনি। মসি মপুং ওইনা ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দেগী পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা থাগনি।

মসিনা অইং অশাগী খল কায়থরকপদগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা সেরিকলচরগী পোথোক পুথোকপদা চাউনা কান্নহনগনি। সেরিকলচর অসি ইকোফ্রেন্দলি ওইবা পাম্বী মখল অমনি হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবা চংই হায়খি।

অমরোমদা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দগী মায়কৈদগীসু ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা উ পাম্বীশিং থাবগী থৌরম অমা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টগী লমদেংদা লৈবা কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট প্লান্ট সাইটতা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মতাংদা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চ্যারমেন এল রাধাকিশোরনা হায়, চহী অসিগী ওইনা ঠিম অসি বিট এয়ার পোল্ল্যুসন হায়বনি।

চহী অসিগী ওইনা থল্লিবা পান্দম অসি অফবা তরু তানাবা নুংশিৎ ফংনবা পান্দমদা পায়খৎপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী অনৌবা পোলিসি অমগা লোয়ননা হৌজিক উ থারিবা মফম অসিদা কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা শাগদৌরিবনি।

মসিগীদমক থৌরাং লৈরে, লুপা ক্রোর ২৬.৩৫ সেঙ্কসন তৌরক্লবগী থৌরাং লৈরে। মফম অসিদা বাইওমেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি মফম অসিদা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা লিংলগা ত্রিটমেন্ট তৌগদৌরিবনি।

লমদম অসিদা হৌজিক থেংনরিবা বাইওমেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি কন্দায়দা ত্রিটমেন্ট তৌগনি। হৌজিক্কী ওইনা সিজ হোস্পিটাল অসিদা কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ত্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি চল্লাইদুনা লৈরি।

হৌজিক হোস্পিটালশিং চেক চৎপগী থবক চত্থরি। অথুবদা মণিপুরদা লৈরিবা অনা লায়েংশঙশিংনা ঙাক্না চৎফম থোকপা গাইদলাইনশিং অদু নিংথিনা ঙাক্তবদি রেজিষ্ট্রেসন শোয়দনা কক্কনি হায়খি।

মহাক্না হায়, মরম চাদনা অকোয়বগী ফিভমদা শিংনদুনা থুগায় য়েখায়বা তৌরিবা অসি খুদক্তা লেপকন্দবনি হায়খি।

লমদম অসিদা থোরক্লিবা পোল্ল্যুসন অসি থিংনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাঙগী চহীগী পালন থৌরম অসিগী ঠিম অসি বিট প্লাষ্টিক পোল্ল্যুসন হায়না পাঙথোক্তুনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি থিংনবা হোৎনরবসু মদু মীয়ামদা মসিগী মরমদা খঙবা ৱাৎপনা মায় পাকপা ঙমখিদে।

হৌজিক বোর্দ অসিদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসি লৈশিনবগী থবক হৌরে। দিষ্ট্রিক্ট অমমমদা কলেক্সন সেন্টর মরি মরি হাংদুনা লৈখ্রবনি। মসিদা মীয়াম্না থৱায় য়াওশিনবা ৱাৎপনা মসি ঙমদবনি। প্লাষ্টিকনা পোল্ল্যুসন থোকহন্দুনা মীওইবগী হকচাংদা চাউনা মাঙনিঙাই ওইরবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দিপ্যুটি চ্যারমেন এস রাজেন সিংহ, সিজ হোস্পিটালসকী চ্যারমেন কম মেনেজিং দাইরেক্টর ডা. কে ঐচ পালিন, লমশাং নগর পঞ্চায়টকী চ্যারপার্সন অরিবম থাজ অমসুং মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# এম য়ু লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৫(এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখিবগী ৩৯শুবা কুমওন থৌরমগা লোয়ননা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সেন্টেনরি হোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এডমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা চীফ গেষ্ট,দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ার প্রোফেসার টি ঐচ রতনকুমারনা প্রসিদেন্ট অমদি দিন স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্স প্রোফেসার জি পি প্রাসেননা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা এডমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা হায়, মণিপুরদা অসিগুম্বা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা লৈবসি য়াম্না লাইবক ফবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৮০দগী হৌদোক্তুনা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইনা মথৌ তৌবা হৌরকখ্রবসু কুমজা ২০০৫দগী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওন্দুনা সেন্ট্রেল নোর্মস কয়া চৎনদুনা লাক্লি। মতম–মতমগী ওইবা পোলিসি–প্রোগ্রাম কয়া হৌদোক্তুনা মহৈরোইশিংদা অহেনবা লৌশিং তানশিনবা ঙম্লবসু হোৎনরি। মথঙগী সেসনদগীদি মহৈরোই মশীং হেনগৎনা লৌদুনা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীনবা হোৎনগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম্না অমদি মরুওইনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে অসিবু য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ ওইনা লৌনরকপসি য়াম্না অফবা খুদম অমনি। মণিপুরতা নত্তনা মালেমগী ওইনা ইনভাইরোনমেন্টতা কায়থরক্লিবা অসিদা খরতা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্লবা পান্দমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। নুমিৎ অসিদা পাক্তক্লনা উ চার কয়ামরুম থানরি। অদুবু মরুওইরিবদি উ চার অদুবু হিংহনবা অদুনি। লোয়নন মুসু অমদি মহৈরোইশিংনা পায়খৎলকপা অফবা খোঙথাং খূদিংদা মহাক্না মতেং পাঙগনি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ট্রাফিক আইলেন্দা থৌরম অদুগী দিগনিটরিশিংনা উ চার কয়ামরুম থাখি। মসিদসু নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট খূদিংদা উ চার কয়ামরুম য়েঙ্লোক্তুনা মাগী–মাগী দিপার্টমেন্টশিংগী অকোয়বদসু উ চারশিং অদু থাহনখি। মতুং তারকপা ওইনা সেন্টেনরি হোলদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোইশিংগী ওইবা ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈনবা দিবেট্টিং কম্পিটিসিনগা লোয়ননা ঈশৈ–নোংমাইগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। নাকল অমরোমদা, মৈতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী হেরিটেজ পার্কতা লম–তু শেংদোকপগা লোয়ননা হৈ–রা,লফু পাম্বী অমদি উ চার কয়ামরুম থাদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ প্রোফেসার সি ঐচ য়শোবন্ত,মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী ওঝা ডা এন সনাতোম্বা, এডল্ট এডুকেসনগী ঐচ ও দি ডা আর কে সুরেশ,ফিজিকেল এডুকেসনগী ওঝা ডা এল সান্তোশ অমসুং হিষ্টোরি দিপার্টমেন্টকী ওঝা ডা টি ঐচ মিনা দেবীসু শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়ানা কংলৈপাক মনিং মখা...

ঙরাংগী মখা...

শিক্কিমবু ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমখিবসি ইন্দিয়াগী অরোন অথুপকী থবক তৌরিবা রোগী অচৌবা খুদোলনি হায়নরিবনি। ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লৈপাক্তগী তমগদবা পারাঃ হোং কোং অমদি মকাও অপিকপা লৈপাক অনীদা চিনানা ঙসি হীরম কয়াদা মনিং তমজবগী হক পীথোক্তুনা 'ৱান্স কন্ত্রি টু সিসটেম'গী লিচিং মখাদা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা মায়পাক্লবা লৈবাক ওইরি। লৈবাক অনীসি হীরম খুদিংদা ৱাৎতবা পাদনা মরোমদোম লাকচৈ। চিনাগী ইকোনোমিক রিফ্রোম ওইনা 'ৱান্স কোস্টাল সিটিস' থৌরাং অমসুং মখা তারকপা 'য়ু এস–চিনা গর্ভণরস ফোরম'হায়রিবা পোলিসিশিং সি পারা পিপ্লোমেসিগী মনুং চনখিবা ঙাক্তনি। কানাদাগী বৃটিশ কোলম্বিয়া অমসুং ক্যুবেক প্রোভিন্স অনীদা মনিং তম্না পারা–দিপ্লোমেসি ওইনা ইকোনোমিক দিপ্লোমেসিগী পাঙ্গল পীথোকই। বৃটিশ কলম্বিয়ানা মপাল মথং মথং ...

# নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা...

লমায় ১গী মখা

মিনিষ্টর ওইহন্নিংদবশিং খন্দাক্লগা লৌথোক্লনবগী খুদোংচাবা মঙোন্দা লৈরোই। মিনিষ্টর কনানা ওইবা অমসুং ওইদবা হায়বদু মখোয়–মখোয়গী পার্টিনা লৌজগদবা ৱারেপনি।

বি জে পিগী লুচিংবসু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ চীফ মিনিষ্টরনা য়ানিংদে হায়দুনা মিনিষ্টর ফমদগী চিংথবা অরুবা ওইগনি। বি জে পিদা চঙলকপা হানবগী মথক্তা পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা টি ঐচ বিশ্বর্জিৎতা মীনুংশি লৈ।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টরনা মনিং তৌনা এম এল এনা অমা মিনিষ্টর ওইহনবা নৎত্রগা লৌথোকপগী মতিক–ময়াই শীন্নদে।পার্টিগী লুচিংবশিংগী অয়াবা য়াওদনা চীফ মিনিষ্টর মিনিষ্টর রিসফল তৌবা ঙম্লোই হায়নসু পোলিটিকেল ওবচার্ভরশিংনা হায়রি।

# মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী...

লমায় ১গী মখা

অমদি সৌবাম গৌরধন সিংহদা বাদ্যরত্ন নি। অদুগা পরিষদকী শেলগী মনা ফংগদবশিংদি – হৈস্নাম অশংবী দেবী (সংকীর্ত্তন ঈশৈ)দা ক্ষেত্রি অচৌ শেলগী মনা ককচবা–ক্ষেত্রি নৱাং, এলাংবম চাউভল সিংহ (দুহার)দা ক্ষেত্রি নৱাং শেলগী মনা কচ্চবা–ডা. ক্ষেত্রিময়ুম চৌরজিৎ অমসুং মনাওশিং, সোইবম বোকুল সিংহ (মৈতৈ পূং) দা কাংঙবম ইবোমচা শেলগী মনা কচ্চবা– কাংঙবম সুলোচনা দেবী অমদি ইমুং–মনুং অমদি হৈস্নাম সাবিত্রি দেবী (থিয়েটর এক্টিং)দা হাওবম ইবুংঙোয়াইমা শেলগী মনা কচ্চবা–হাওবম কামিনি, মনাওশিং অমদি মচাশিং নি।

অদুগা পরিষদকী সনাগী মেডল ফংগদবশিংদি– থৌনাওজম পারুল দেবী (জগোয় রাস)দা শ্রীমতী থৌরানীশাবী সনাগী মেডল, কচ্চবা– থৌরানিশাবী দেবী, অকোইজম ইবোমচা সিংহ (পূং)দা গম্ভীনি অমসুং রঞ্জনা সনাগী মেডল, কচ্চবা–গম্ভীনি অমসুং রঞ্জনা, মৈকাম থোইবা সিংহ (পূং) কোঞ্জেংবম ধন নীংশিং সনাগী মেডল কচ্চবা– কোঞ্জেংবম নিঙোল বিনোদিনী দেবী অমদি শিজগুরুময়ুম ইমোবী শর্ম্ম (লাইয়েকপা) রাজকুমার য়ূমজাওসনা নীংশিং সনাগী মেডল কচ্চবা–রাজকুমার চন্দ্রজিৎসনা সিংহ নি।

# ইম্ফাল–জিরিবাম বস সর্ভিস ...

লমায় ১গী মখা

ৱাহংগী পাউখুমদা দেবিদ এলাংবমনা হায়, এম ঐচ এগী সবসিদি স্কিমগী মখাদা হান্না লৈরম্বা হেলিকোপ্টর সর্ভিস মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা অমুক হৌদোক্লবা থৌরাং লৈরে।

সর্ভিস অসিগীদমক সর্ভিস প্রোভাইদর খন্নবা ই তেন্দর তৌবদা কম্পনি অহুম লাকপগী মনুংদা লৱেষ্ট বিদ্দর তারবা গ্লোবেল ভেক্ট্রা হেলিকোর্প লিমিটেদপু সর্ভিস প্রোভাইদর ওইনা হাপখ্রে।

মখোয়দা লেটর ওফ ইন্টেন্ট পীখ্রে। অথুবা মতমদা থবক হৌনবগী য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীননবা হোৎনরি। হয়েং গ্লোবেল ভেক্ট্রা কম্পনি অসিগী ওফিসিয়েলশিং ইম্ফালদা লাক্তুনা গ্রাউন্দ সর্ভে তৌবা, ষ্টাফশিংগী লৈফম চাফম, হেলিপেদনচিংবা অসি টিম অসিনা য়েংশিনগদৌরি।

ময়েক্কী ওইনদি এল ও আই ফংলবা মতুং থা অনীগী মনুংদা কম্পনিনা হেলিকোপ্টরনচিংবা অদু মোবিলাইজ তৌদুনা পুরক্লগা সর্ভিস হৌগদৌরিবনি। অদুবু মতম অদু ঙাইদনা হেলিকোপ্টরবসু ফংলবদি য়ান্নচেরোল খূৎয়েক পীনবগা ইকুই কুইদনা থবক হৌনবা খন্নবা লৈ হায়খি।

# য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমদা শক্লাইরবা...

লমায় ১গী মখা

উপাল চারশিং মৈত্রম কমপ্লেক্সতা পাক–শন্না থাখি। নাকল অমরোমদা মালেমগী মফম কয়াদা পাভথোক্লরিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা পিপল ফোর এনিমেলক মণিপুরনসু ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস মনাক্তা লৈবা ট্রাফিক পোইন্ট, গভর্ণর ওফিসকী গেট মমাঙ্দা লৈবা ট্রাফিক অমদি কংলা মেন গেট মনাক্কী ট্রাফিক পোইন্টগী রেদ লাইটতা খাম্লকপা গাড়ীশিংদা উ চার য়েঙ্লোক্তুনা রেদ লাইটতা গাড়ী মুখৎতুনা গাড়ী খাম্বগী হৈনবী লৈনবা পাউজেল পীখি। উ চারাশিং য়েঙ্লোকপা অদুদা এন সুরেন এস দি সি হেদ ক্বার্টর আই দব্লিউ সু শরুক য়াখি।

হু চেল্লবা নুংশিৎ ঙাকথোক্লবা গ্যাস মাস্ক উপ্তুনা মহৈরোইগী ফিজেৎ শেত্তুনা তুংগী মীরোলগীদমক নুংশিৎ শেংহনবীয়ু হায়বগী পাউদম পীবা মওংদা উ চারাশিং অদু য়েঙ্লোকখিবনি। ঙসি পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরনা পূন্না মখল কয়াগী উ চারা ২৫০ মুক য়েঙ্লোকখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সি কমপ্লেক্সতসু উ চার য়েঙ্লোকপগী থৌরম অদু চত্থখি। ঙসিগী থৌর অদু থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী তেংবাঙ মখাদা পাঙথোকখিবনি অমসুং ৱেলকেয়ার এম্বুলেন্স সার্ভিসনসু ভোলুন্টিয়রশিংগী মেডিকেল এদকীদমক মতেং পাঙখি।

# লাই হরাউবনা মণিপুরী কলচর কন্দুনা লাক্লিঃ খেমচান্দ

ইম্ফাল,জুন ৫(এস এন এস)ঃ নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী লৈরক্লবা উমং লাই হরাউবনা মণিপুরগী কলচর অসি মাঙখিগদবদগী কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা লাইনিংথৌ নোংশাবগী হরাউ শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়, নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী হৌরগা লমদম অসিদা উমং লাই হারাউবা অসি চত্থদুনা লাকপনি। মসিনা লমদম অসিগী লৈজরিবা কলচর অসি য়োকখৎপদা চাউনা মতেং পাঙদুনা লাক্লি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রনা হায়, লাইনিংথৌ নোংশাবগী হরাউ শঙলেন অমা শারিবা অসি লাই কম্মিতি অমসুং মীয়াম্না তাকপীরকপগী মতুংইন্না লাই হরাউবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমদগী লুপা লাক্ষ ৩০ চংনা শাবনি।

মহাক্না হায়, নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৩০ চংনা শাবা কম্যুনিতি হোল অমা হিয়াংথাংদা শারগা চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

হৌজিক কোদোমপোকপী মমাঙ লৈকাইদা লুপা লাক্ষ ২৫ রোম চংনা শাবা কম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গানবা থৌরাং লৈরে। মৈত্রমদসু লুপা লাক্ষ ২৫ চংবা কম্যুনিতি হোল অমা শাবা লোইরে।

ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই ইরৈমদা লুপা লাক্ষ ১৫ রোম চংনা শাবা কম্যুনিতি হোল অমা শঙ্গানবা শেম শাদুনা লৈরে। লংথবালদা কম্যুনিতি হোল অনী ফাউন্দেসন হৌবা লোইরে।

লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ অসিদগী হেক পায়খৎপা য়াবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরি। কুম ২০১৯–২০গী মনুংদা পুন্না ক্লব ৭ শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নবা পান্দম থল্লি হায়খি।

চৎলিবা তার্ম অসিদা নাউরিয়া কেন্দ্র অসি মোদেল কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা চংশিনলক্লি হায়খি। ঈশিংগী প্রোব্লেম চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা অয়াম্বা কোক্লগনি। লোয়ননা ৱাইশেল মরিল অসি শেমগৎনবগীদমক দোনর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা শেম্ভুং লৌথনবা প্রপোজেল থাখ্রে। মদু হেক লাকপগা শেমগৎপগী থবক পায়খৎপা য়ারগনি হায়খি।

এদুকেসনগী লমদা মালোমদা লৈরিবা মেঘ হায়স্কুল অসি মহৈরোই লৈরমদবা অদু চৎলিবা একাদমীক সেসন অসিদগী মহৈরোই মরাং কায়না লৈরে। লৈঙাক্ন মোদেল স্কুল অমা ওইনা শেমগৎনবা লুপা লাক্ষ ৮০ হাপখ্রে। নিঙোম্বম জুনিয়ার হায়স্কুলসু হৌজিক মহৈরোই ৩০০গী মথক্তা লৈরে। স্কুল খরা হোংদোক হোংজিন তৌনবা, অফবা স্কুলশিং শেমগৎনবা থবক কয়া পায়খৎলি হায়খি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য আর কে তরুনি দেবী, হিয়াংথাঙ জিলা পরিষদকী মেম্বর এস সিলাসনা, লাইনিংথৌ নোংশাবা হরাউবা কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ কেসো সিংহ, নাউরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা জিপিশিংগী প্রধানশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

# জৱাহরলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাডেমিগী অনৌবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক গভর্ণরনা শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৫(এস এন এস)ঃ

জৱাহরলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাডেমি (জে এন এম ডি এ)গী ম্যেইন গেট,অনৌবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক, নৌনা শেমদোক্লবা ওডিটোরিয়ম অমসুং রাজর্ষি ভগ্যচন্দ্র অমদি শক্লাইরবা গুরু অহুমগী মীতমশিং ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা শঙ্গাখ্রে।

জে এন এম ডি এগী ম্যেইন গেট,অনৌবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক,নৌনা শেমদোক্লবা ওডিটোরিয়ম ঙসি গভর্ণরনা রিবন কককপগা লোয়ননা একাডেমি অসিগী কেম্পস মনুংদা শাবা রাজর্ষি ভগ্যচন্দ্র অমদি শক্লাইরবা গুরু অহুমগী মিতমশিং মায়খুম হাংদোক্তুনা শঙ্গাখি।

জৱাহরলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাডেমি (জে এন এম ডি এ)গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অসি শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জে এন এম ডি এগী দিরেক্টর এল উপেন্দ্র শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা,মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট,নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ই সি)শিল্লোং অমসুং সঙ্গিট নাটক একাডেমিগী শেঙ্গুং মখাদা শেমগৎ–শাগৎখিবা একাডেমি অসিগী ম্যেইন গেট,চহী ৬০ হেল্লবা নৌনা শেমদোক্লবা ওডিটোরিয়ম,অনৌবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমসুং রাজর্ষি ভগ্যচন্দ্র অমদি শক্লাইরবা গুরু অহুমগী মিতমশিং অসি ঙসি দান্স একাডেমি অসিনা শীন্দুনা শঙ্গাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা ম্যেইন মমাঙগী লৈঙাক্ন শেনফম খরা পীবিরকখিবা অদুনা শেমগৎ–শাগৎখবনি।

একাডেমি অসিনা মরিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা অদু নৌনা শেমদোক–শাদোক্লবা অমদি অনৌবা ষ্ট্রকচরশিং অসি লৈরবনিনা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অহেনবা থৌদাং লৌবা ঙম্লগনি। দান্স একাডেমি অসিদগী মণিপুরগী ফাওরবা ঠিএটর,জগোয়,লিটরেচরনচিংবগী শক্লাইরবা মীওই কয়া থোকখিবনি। মখা তানা শক্লাইরবা মীওই কয়া অমসু পুথোকপা ঙম্লগনি থাজে। ঙসি শঙ্গারিবা অনৌবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অসি দিরেক্টর,ভাইস চিয়ারমেন,এডমিনিষ্ট্রেসনগী অমসুং কন্ফরেন্স হোল মচা অমা য়াওনা কা ৯ লৈবনি হায়নসু মখা তাখি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা সঙ্গিট নাটক একাডেমি ন্যু দেল্লিগী চিয়ারমেন সেখর সেন, জে এন এম ডি এগী ভাইস চিয়ারমেন প্রোফেসার ঐচ তোম্বী অমসুং সঙ্গিট নাটক একাডেমি ন্যু দেল্লিগী সেক্রেটরী ডা রিতা স্বামি চৌধরিসু শরুক য়াখি।

# পাউমীশিংনা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৫ঃ

ঙসি মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট থৌরমগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না নহারোল লৈশেম্বা ক্লব থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাই অমসুং লৈখিদ্রবা ভিদিও জর্নেলিষ্ট(পাউমী) থাংজম দ্বিজমনি এলাইজ ননাওগী ইমুং–মনুংগা পুল্লগা লৈখিদ্রবা পাউমী অসিগী চৈরাওচীংদা লৈবা নিশিং খুভমগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাখ্রে।

উ চারা থাবগী থবক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবা মতমদগী হৌদুনা উ চারা ৫০ রোম থাখি।

উ চারা থাবগী থবক অদুদা অমজুগী প্রেস ক্লব সেক্রেটরি খাঙেম্বম সঙ্কর, পাব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাই ওকেন্দ্রজিৎ, ত্রেজরর লৈমপোকপম সনজিৎ(ভক্তা), অতৈ পাউমীশিং, নহারোল লৈশেম্বা ক্লবকী প্রসিদেন্ট এল প্রতাপ অমসুং লৈখিদ্রবা পাউমী দ্বিজমনি (ননাও)গী ইমুং মনুংনা শরুক য়াখি।

# পুং ১গী মনুংদা মহৈশঙ ১০৫৭ দা উ–চারা ...

লমায় ১গী মখা

এদেদ স্কুল অমদি সি বি এস ইগী স্কুল খায়দনা থৌরম অসি চত্থবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উ পাম্বী অমা হিংহনবদা চঙদবা য়াদ্রবা থবকশিং হায়বদি, হার হাপীবা, মখোঙ চোম্বীবা, শম্বল খাবীবা অমসুং ঈশিং চাইদুনা অঙাম্বা থাক্তা উ–চারাশিং অদুবু হিংহনগনি। থা খরগী মতুংদসু থাখিবা উশিং অদু হিংলিব্রা হিংদ্রবরা য়েংদুনা হিংদবা য়াওরগসু উ–চারা অমনা মহুৎ শিন্দোক্কনি। লোয়ননা উ–চারা খ্বাইদগী য়াম্না হিংহনবা ঙম্বা স্কুলশিংদসু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মনা পীগনি হায়না রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখি।

অমজুগী প্রিসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী পোলিসি মখাদা স্কুল, কোলেজ অমদি সি বি এস ই স্কুল য়াওনা ইন্সষ্টিট্যুসন ১০৫৭না পূং অমগী মনুংদা উ–চারা ৬৫,০০০ থাবগী থৌরম অসি হৌদোকখিবনি। গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি হোংলক্লিবা অইং–আশা অসিনা মীওইবা অমদি থৱায় পানবা জিবা পূম্নমক্তা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লে। শিংনবা অসিবু মায়োক্লবগীদমক অমজুনা পাউমীগী থৌদাং অমা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা উ থাগদবনি। উ লৈত্রবদি মালেমদা থৱায় পানবা জিব অমত্তা লৈবা ঙম্লোই হায়বগী পাউজেল পীনবগীদমক থৌরম অসিদা অমজুসু য়াওদুনা হৌদোকখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমজুগী প্রিসিদেন্টনা মখা তানা হায়, হোংলক্লিবা অইং–অশা, নোংজু–নুংশা চাং নাইরক্ত্রিবা অসি থেংন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি উ–থাবনি। মীওইবনা হোল্লিবা ওক্সিজেন অসি উ–না পীবিবনি। মখোয়না হোন্দোরক্লিবা করবোন দাইওক্সাইদ অসিনা উপালনা অমুক চুপশিল্লিবনি। উ–য়াওদনা মালেম অসিদা থৱায় পানবা জিব অমত্তা লৈবা ঙম্লোইদবনা, গ্লোবেল চেলেঞ্চ অসি থেংন্নবা অমজুনা এদুকেসন অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা লোয়ননা হৌদোকখিবনি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোমেন্ট দেগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৭তা লৈবা স্কুল ৩০৮ না উ–চারা ২০৯৫৪ অদুগা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ৯দা লৈবা স্কুল ১৭৬না উ–চারা ২৯,৩২৪ থাদুনা পূন্না চারা ৫০,২৪২ অমদি কোলেজ ১৫না উ–চারা ১৫,০০০ থাদুনা ঙসি উ–চারা ৬৫,০০০ রোম থাখ্রে।

# গ্রীন মিসন মণিপুর পায়খৎনবা থৌরাং লৈরে...

লমায় ১গী মখা

ঈশিং লৌগদবা তুরেল ঈশিং তৎশিনলক্লবনি। মসি মীওইবনা করাম্বা, শেল থুনা পায়নিংবনা উমং কোকথোক্লগা পোপি পাম্বী, গঞ্জানচিংবা থারি। চীংগী মতোলদা পোপি থাবদা হার হাপচিনবদগী সোইল ইরোজন থোক্তুনা নোং চুবদা লৈহাউশিং লোইনা চেন্থখ্রে।

ইম্ফালদা সেমিনার তৌবগী মহুত্তা মনুং হজ্জিনবা মফমশিংদা চৎলগা মীয়াম ৱাখল তাহনবা তঙাইফদ্রে। চীংশিং মরু কোক্লে। মসি থেংনসি হায়রবদি ঙাঙবনা কান্নরোই, থবক তৌবা তাই হায়খি। লাঙ্গোল চীংদা উ পাম্বী কয়া থাখি। অদুবু লাইবক থিবনি হৌজিক চীংদোল য়ৌনা য়ুম শাজিনখ্রে। মী চিনখ্রবা ইম্ফাল সিটিগী থবোম্বীনি হায়রিবা লাঙ্গোল চীংদোল য়ৌনা উমং কোকথোক্লগা য়ুম শাজিনলে। কষ্টমরি, ত্রেদিসন কয়া অসিনা মীওইবদা মাঙহল্লে। মসি খর হোংদোকপা য়াদ্রবা হায়খি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়সু অহোংবা খর পুরকপা চংই হায়খি।

মরম অসিনা খুল তোয়না হোংবা অসি থিংনবা হিল এরিয়াজ কম্মিতি তান্নরগা শেম্বা তঙাইফদ্রে হায়খি। পালন থৌরম অসি চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কনি। মসিদা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী ওফিস কেম্পসতা উ পাম্বীশিং থানবা থবক লৌখৎসি।

থারিবা উ পাম্বীশিং অসি কন্নবা হোৎনবদা জেদ ই ওশিংনা হেদমাষ্টরশিংগা তান্নরগা মদু ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখি। ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা একর ৫ দগী একর ৭ ফাওবা খুঙ্গং অদুগী মনাক্তা উমং শেমগৎনবা গ্রান্ট অমসুং উ চরাশিং পীবা লোয়ননা মফম অদুদা ওপন জিম অমমম হাংদোক্লবা লৈঙাক্ন গ্রান্টপীবা, করিগুম্বা লমলেম ওইরগনা খুলগী মীংদা উমং য়োকখৎনবা পাট্টা পীনবা খন্নবা হৌরে।

ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তা উমং লাইগী ৱাখল্লোন পুথোক্লম্বা অসিনা মপুং ওইনা খুঙ্গং খুদিংগী উমং লৈহনগদবনি হায়বা ওইগনি। পাক্তক্লনা চীংশিংদা উ থানবা গ্রিন মণিপুর হায়না মিসন অমগী মওংদা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরে। মসিদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে। বন্দ তৌবদা উ য়াম্থৎপগী হৈনবী তোকহনবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, হৌজিক্কী মতমদা খুল অমা ওইরগা উ হৌদ্রবদি ইকাইবা ফাওবা মতম ওইরে। ফোরেষ্টকী থৌরম পাঙথোকপা মতমদা লৈগী মহুত্তা উ চারা ফজবা অমমম পীবগী চৎনবী হৌদোকপা মতম ওইরে।

হৌজিক থারিবা পাম্বীশিং অসি হৌরিব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি। মতম অমদা ইপা ইপুশীংনা উয়োক থম্বগী চৎনবী লৈরমখি। মীওইবনা চাউখৎলে হায়না পোঙজরবসু চাউখৎপা ৱাৎপগী মমি চাউনা তারি হায়খি। মিনিট মঙাদং মিৎ উইশিল্লগা তুংগী খনবা মতম ওইরে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, মণিপুর টুরিজম কোর্পোরেসন লিমিটেদগী চ্যারমেন ডা. এস রঞ্জননা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা এম য়ুগী দিন স্কুল ওফ মেঠমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেস প্রো. এন রাজমুহোন সিংহনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জেদ ই ওশিংগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপগী চাংদম্নবগী মনা মথুমসু য়েঙ্লোকখি। লোয়ননা হৈবোকচীংদা চত্তুনা উ পাম্বীশিং চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা থাখি।